# পাক আর্মি হেদক্কাটর মনাক্তা পোকখাইবদা ১৪ শিরে



*ইস্লমাবাদ, জনুৱারি ২০ঃ* পাকিস্টানগী মরুওইবা মীলিটরি হেদক্কাটরস মনাক্তা ঙসি টালিবান স্যুসাইদ বোম্বর অমনা মশাগা কোন্ননা বোম পোকখাইহনবদা মীওই ১৪ হাৎখ্রে হায়না লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসি ঙরাং লৈবাক অসিগী অৱাং নোংচুপ থংবা আর্মি কম্পাউন্দ অমদা বোম পোকখাইহন্দুনা লান্মী ২০ হাৎখ্রবা মতুংদা থংননা চত্থরকপা এটেকনি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

নুমিৎ নিনিগী শাথিবা থৌদোকশিং অসি পাকিস্টান লান্মীগী মথক্তা চত্থরকপা এটেকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী শাথিবা থৌদোকশিং ওইরি। ঙসিগী থৌদোক অদু রাউল পিন্দিগী মফম অমদা অয়ুক্তা থোকখিবনি। পুলিস ওফিসিয়েল সর্দার জুল ফিক্করনা হায়বদা মরুওইবা মিলিটরি হেদক্কার্টর্সকী হেক মপান্দা স্যুসাইদ বোম্বর অদুনা বোম পোকখাইহল্লকখিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

শিখিবশিংগী মরক্তা থবক্তগী পোত্থারবা আর্মি ওফিসার অমগা লান্মী ৫ গা য়াওখি হায়বগা লোয়ননা থৌদোক অসিদা মীওই ১৮ সু শোকখি হায়না পুলিস ওফিসার হারুল জোয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

স্যুসাইদ বোম্বর অদু বাই সাইকল অমদা তোংদুনা লাক্লগা মিলিটরি চেক পোইন্ট অদুগী ময়া হেক য়ৌরকপগা বোমগা পুন্না পোকখাইমিন্নখিবনি হায়নসু জোয়ানা ফোঙদোকখি।

ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা থোকখিবা থৌদোক অদুদসু মিলিটরি বেজ অমা থাদোক্লুনা চৎনবা শেম শারিবা আর্মিগী কনভোইদা য়াওবা গাড়ী অমদা টার্গেট তৌরকখিবনি। থৌদোক অদুদসু লান্মী ৩০ রোম অশোক অপন নংখি।

ঙরাংগী থৌদোক অদু টালিবাননা মখোয়ননি হায়না ক্লেইম তৌবগা লোয়ননা অসিগুম্বা এটেকশিং মখা তানা চত্থরকখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রেবনি।

পাকিস্টান টালিবানগী ৱাঙাংলোই সাহিদুল্লাহ সাহিদনা হায়বদা, এটেক অদু ৱাল্লিয়ুর রেহমন হায়বা লালহৌলুপ অসিগী সেকেন্দ ইন কম্মান্দ ওইবা মকোক থোংবা লুচিংবা অদু হাৎখিবগী লমন খুম্বনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

ৱালিয়ুর রহমন অসি মমাং চহিদা য়ু এস দ্রোন ষ্ট্রাইক অমদা শিখিবনি। অসিগুম্বা এটেকশিং চত্থদুনা ঐখোয়গী ইরুপ-ইপিজাশিং হাৎলিবা খুদিংগী শুকশোই শোইদনা লমন খুমগনি হায়নসু ৱাঙাংলোই অদুনা ফোঙদোকখি।

রাউল পিন্দিদা ঙসি থোকখিবা পোকখাইবা থৌদোক অদুসু মখোয়ননি হায়না সাহিদনা ক্লেইম তৌরকখি। পনবা য়াবদি নোর্ঠ ৱাজিরিষ্টান অসি অলকাইদাগা শম্নবা মিলিটেন্টশিংগী খ্বাইদগী খুদোংচাবা লমদম অমা ওইনা খঙনবগা লোয়ননা লমদম অদুদা লৈবা পাকিস্টানি ক্রুপ কনভোইশিং লম্বীগী নাকলদা ফুম্বা বোমশিংনা ঙাইহাক লৈতনা চৈথেং ফংনবনি হায়নসু লিখুন অসিনা মখা তারক্লি।

# সাউথ চাইনা সিদা চাইনাগী নেভেল ড্রিল হৌখ্রে



*বৈজিং, জনুৱারি ২০ঃ* চাইনানা অতোপ্পা লৈবাক খরগা লমগী মতাংদা কন্না চয়েৎনরিবা সাউথ চাইনা সিদা লৈবাক অসিগী আইলেন্দ লেন্দিং সিপ অমা য়াওনা অতোপ্পা জহাজ খরগা লোয়ননা নেভেল দিল হৌখ্রে। ওফিসিয়েল জিনহুৱা নিউজ এজেন্সিনা হায়বগী মতুংইন্না দেষ্ট্রোয়র অনিগা চাইনাগী খ্বাইদগী চাওবা এম্ফিবিয়স লেন্দিং ক্রাফট অমগা লোয়ননা নেভিগী বেজ থাদোক্লুনা ঙসি চংশিনখ্রে হায়রি।

জহাজশিং অদুগী মরক্তা মেরিন কম্পেনি অমগা হেল্লিকোপ্টর অহুমগসু য়াওখি হায়রি।

কম্মান্দর জিয়াং ৱৈলিগী ৱারোল পল্লদুনা জিনহুৱানা হায়বদা ড্রিল অসি জহাজশিং, সবমেরিনশিং অমদি এয়ারক্রাফটশিং পুন্না লানগী শাজেল ঔরাইবা রোমদা পান্দম তৌবনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্কী ৱারোল অসিনা ড্রিল অসিদা অতৈ য়ুনিটশিংসু য়াওরমগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ ওইরি।

পনবা য়াবদি সাউঠ চাইনা সি অমদি মসিগী ইথৎশিং পুন্না মখোয়গীনি হায়বগী ক্লেইম হেন্না কন্না পুখৎনবা চাইনানা খোঙথাংশিং য়াম্না য়াংনা লৌখৎলক্লি। অদুগা ফিল্লিপিন্স, টাইৱান, ভিয়েটনাম, মালেসিয়া অমদি ব্রুনৈনেসু সাউঠ চাইনা সি পুল্লপ ওইনা নত্রগা শরুক খরা ওইনা মখোয়গীনি হায়না ক্লেইম তৌরিবনি।

অতোপ্পা লিখুন অমদগী ফংবা পাউনা হায়বদা, চাইনানা লৈবাক অসিগী জহাজ শাফম ওইনবা দালিয়ান হায়বা হিথাংফম অসিদা অনিশুবা এয়ারক্রাফট কেরিয়র অমসু শাবা হৌগৎখ্রে হায়রি।

চাইনিজ নেভিনা থৌরাং অসি এয়ারক্রাফট কেরিয়ার মরি শাগদবগী মনুংদা অনিশুবনি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

জহাজ শাবা হৌগৎলিবা অসি চহি ৬ তা পুল্লোই লোইনবা পান্দম থল্লি। অদুগা মসি লোইরকপদদি চাইনাগী এয়ারক্রাফট কেরিয়ার অনি শুরগনি হায়নসু হোং-কোংদা বেজ তৌবা 'টা কুং পাউ' পাউ-চেনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউ অসিনা হায়বগী মতুংইন্না থোইদোক্লা ফরবা মখলগী ০৫২দি হায়বা মিসাইল দেষ্ট্রোয়র অমসু দালিয়ানদা শাগৎপগী থবক চংশিল্লি হায়রি। অদুবু হিরম অসিগী মতাংদা ওফিসিয়েল ওইবা ৱারোলদি থোক্লকপা লৈত্রি।

# সিরিয়াগী ৱারীদা ইরান য়াওদবদু অরানবনিঃ রুসিয়ান ফোরেন মিনিষ্টর

*মোস্কো, জনুৱারি ২০ঃ* সিরিয়াদা হৌজিক ওইরিবা কাং-খোং চাইবা ফিভম অসিগী মতাংদা চয়োল অসিদা চত্থরিবা শান্তিগী ৱারী অসিদা ইরাননা শরুক য়াদবা অসি ঙাকপীবা য়াদবা অরানবা অমনি হায়না রুসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সর্গে লাভরোবনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অসিবু শোইদনা য়াওনবা হোৎনদবা অদুগা মখোয় অদুনা সিরিয়াগী ফিভম অসিদা হকথেংননা চৈথেং পীবদি ঙম্বা লৈবাকশিং অসি ঙাকপীবা য়াদবা মরাল অমা লংশিল্লে হায়না লাভরোবনা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখি।

য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল বানকিমুননা থৌদাং খঙনা কাংলোন চুম্বা খোঙথাং অমা লৌখৎলক্লিবা অসি ঐনা মপুং ফানা শৌগৎলি হায়নসু লাভরোবনা ফোঙদোকখি।

নিংশিংবা য়াবদি ইস্লামিক রিপব্লিক ওফ ইরানসু য়াওনা ফিভম অসি লোইশিন্নবা চৈথেং পীবা ঙম্বা লৈবাকশিংদা সেক্রেটরি জেনরেল অসিনা ইনভাইটেসনশিং থাখিবনি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়বদা য়ুমশকৈশাদা স্বিস সিটি মোন্ত্রুদা চত্থনবা হোৎনরিবা অসিদা ইরাননা য়াওদবা হায়বসি ইকায়নিঙাইনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

সিরিয়ান নেস্নেল কোলিসন হায়বা ওপোজিসন গ্রুপশিংগী অপুনবা অসিনা ঙসি হায়খিবদা ইরাননা মসিগী প্রসিদেন্ট বাসর অল অসাদপু শৌগৎলিবা অদুগী য়েংদুনা লৈবাক অদুগী পীখিবা ইনভাইটেসন অদু বানকিমুননা হন্দোক্লবদি ৱারী শান্নবা মীফম অদু বোয়কোট তৌগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অদুগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনসু সিরিয়াদা ত্রাঞ্জিস্নেল গভর্নমেন্ট অমা শেম্বগী খোঙথাং শৌগৎনবা ইরানদা তকশিনখিবনি। অদুবু চৈরকসিদা রুসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর অসিনা হায়খিবদা ৱারী শান্নবা অসিদা ওপোজিসন য়াওদ্রবদি চহি অহুম্লোম শুরবা মুক্নরকপা অসি লোইশিন্নবা হোৎনবদা ওপোজিসননা থৱাই য়াওদ্রে হায়বদুগী খুদম ওইগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

নেস্নেল কোলিসন গ্রুপ অসি মপানগী স্পোন্সরশিংনা শেম্বনি। অদুগা ঐখোয়নসু জেনেভা টুদা কোলিসন অসিনা শরুক য়াবদা ঐখোয়না য়ানিংদবা লৈতে হায়নসু লাভরোবনা ফোঙদোকখি।

মোন্ত্রু কনফরেন্সতা অম্ব্রেলা গ্রুপ অসিনা মসিগী দেলিগেসন থাগনি হায়খিবা ৱারেপ অদুদি ঐখোয়না শৌগৎলি। অদুবু ফোর্স পুম্নমক চপ মান্নবা পরিং তাহনবগী মথৌ তাবা অদুদি ঐখোয়না খঙফম থোকই হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

# ৱারী শান্নদ্রিঙৈদা কিয়েবতা খুৎ থোক্লখ্রে



*কিয়েব, জনুৱারি ২০ঃ* য়ুক্রেনগী গভর্নমেন্টপু য়ানিংদবা ৱাকৎলোইশিংনা ভাইওলেন্সকী খোঙথাং লৌখৎলকপদগী ময়াই থংবা কিয়েবতা পুলিসকা ৱাকৎলোইশিংগা ওনশিন্নবগী থৌদোক অমা থোকখ্রে হায়রি।

ঙরাং পার্লিয়ামেন্টতা ৱাকৎলোই খরনা নমদুনা চংশিন্নবা হোৎনরুবদগী খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অসি থোকখিবনি।

অমরোমদা থৌদোক অসি য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগা পোলিটিকেলগী ওইবা য়ানবা অমা পুথোক্লবা কিয়েবনা ৱারেপ অমা লৌখিবগী মায়োক্তা ইংনা চত্থরকপা ৱাকৎ খোঙজংশিংদগী মতুং তারকপা অদুগা এন্টি প্রোটেষ্ট লোশিং হেন্না কনশিন্নবা হোৎনরকপা মতুংদা থোক্লকখিবনি।

য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভিক্টর য়ানুকোভিসনা হায়বদা, হৌজিক্তি য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন শৌগৎপা ৱাকৎলোইশিংগা ৱারী শানবা মহাক শেম-শারে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্লা হায়খিদা, ক্রোস পার্টি কম্মিসন অমা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শেম্লগনি। অদুগা নোংম-নোংমগী লুশিল্লক্লিবা ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা হোৎনরগনি হায়নসু মমাংদা ফোঙদোকখ্রবনি। মহাক্কী ৱারোল অসি ওপোজিসন লিদরশিংনসু কনফার্ম তৌখিবনি।

বি বি সি গী পাউমী অমনা হায়বগী মতুংইন্না ৱাকৎলোই খরনা পেট্রোল বোমশিং শানবা হোৎনখি। অদুগা অতোপ্পা খরনা পুলিসশিংদা অতোপ্পা মিসাইলশিং লংশিনখি হায়রি। পুলিসনসু ৱাকৎলোইশিংগী মথক্তা টিয়ার গ্যাস সেলশিং কাপশিল্লকখিবনি।

ৱাথোক অসি লোইশিনবা য়ানবা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী ফোরেন মিনিষ্টরশিং ব্রুসেলসতা মিটিং অমগীদমক থুংখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবা অমনা গভর্নমেন্টনা মীয়াম্বু ৱাকৎপা য়াহন্দবগী অথিংবা অমা হৌদোক্লুবা অদু অশোইবা অমনি হায়নসু বৃটিশ ফোরেন সেক্রেটরি ৱিল্লিয়ম হেকনা ফোঙদোকখ্রে।

অদুবু গভর্নমেন্ট অসিনা ওপোজিসনগা ৱারী শাবদা য়ানিংবা উৎলকপা অসিদি ঐখোয়না তরাম্না ওকই হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

# সাউঠ কোরিয়ান মিল্লিয়ন ২০ লোমগী ক্রেদিট কার্দ দিটেলশিং হুরানখ্রে

*সিওল, জনুৱারি ২০ঃ* খা-কোরিয়াগী অপুনবা মীশিংগী তঙ্খাই অমরোম ওইবা মীওই মিল্লিয়ন ২০ লোমগী ক্রেদিট কার্দ দিটেলশিং হুরানখ্রগা মার্কেটিং ফার্মশিংদা য়োন্থোকখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

কোরিয়া ক্রেদিট ব্যুরো হায়বা কম্পেনি অমগী থবক তৌবা কম্প্যুটর কন্ট্রেক্টর অমনা দেটাশিং অসি হুখিবনি হায়রি।

আই দি ৱার্কর অসিনা খা কোরিয়া মচা মিল্লিয়ন ২০ লোমগী মমিং, সোসিয়েল সিক্যুরিটি নম্বরশিং অমদি ক্রেদিট কার্দ দিটেলশিং কোপী তৌখি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

য়োনখ্রিবা দেটাশিং অদু লৈরুবনি হায়বা মার্কেটিং ফার্মশিংগী মেনেজরশিংসু পুলিসনা ফারে হায়রি। মসিগী মমাংদা ফোঙনখিবা পাউশিংদা কোরিয়া ক্রেদিট ব্যুরোগী দেটা থম্ফমশিং অমদগী কন্ট্রেক্টর অদুনা লিখুন অসি ফংখিবগা লোয়ননা হুরানখিবনি। দেটা কোপীশিং অদু কন্ট্রেক্টর অসিনা য়ু এস বি ষ্টিক অমদা শীন্দোকখি হায়রি।

ওঠোরিটিশিংনা হৌজিক কে বি কুকমিন কার্দ, লোটে কার্দ অমদি এন ঐচ নোংয়ুপ কার্দ হায়বা ফার্ম অহুম অসিগী সিক্যুরিটিগী খোঙথাংশিং কুপ্না য়েংশিন্দুনা ফার্মশিং অসিগী দেটাশিং সেফ ওইহন্নবা হোৎনরি হায়রি।

ক্রেদিট কার্দ দিটেলশিং হুরানখিবা অসিদগী ওইরকপা য়াবা চৈথেং থিজিন্নবা টাস্ক ফোর্স অমসু শেমখ্রে। অদুগা মরী লৈনরিবা ক্রেদিট কার্দ ফার্মশিংগী মপু অহুম্না মীয়ামদা অশোইবা অসিগীদমক লাল্লে হায়জখ্রে হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

এফ এস সি গী অতোপ্পা ওফিসিয়েল অমনা হায়খিবদা দেটাশিং অসি অনএনক্রিপ্টেদ ওইবা মরমনা হুরানবদা য়াম্না লায়খিবনি। অদুগা ক্রেদিট কার্দ ফার্মশিং অদুনসু দেটাশিং অদু কোপী তৌখ্রে হায়না খঙবা ঙমখিদে। কোন্না ইনভেষ্টিগেটরশিংনা হুরানখিবা অদুগী মরমদা হায়রবা খক্তুদা খঙখিবনি হায়নসু ওফিসিয়েল অদুনা ফোঙদোকখি।

কঞ্জুমরশিংগী দেটা হুরানবগী থৌদোক অসি খা কোরিয়াদা খ্বাইদগী কোন্না থোকপা থৌদোক অমা ওইরি। ইং ২০১২ দসু কে টি মোবাইলগী সবস্ক্রাইবর মিল্লিয়ন ৮.৭ কী দিটেলশিং হুরানখিবগীদমক হেক্কর অনি ফাখিবনি।

ইং ২০১১ দসু খা কোরিয়াগী সাই ৱার্ল্ড হায়বা নেটৱার্ক অসিগী একাউন্ট মিল্লিয়ন ৩৫ হেনবগী দিটেলশিং হুখিবগী থৌদোক অমসু থোকখিবনি হায়রি।

# য়ুহার হাবদা নিউজিলেন্দগী হোবিক স্কল্পচর তুখ্রে



*ৱেল্লিংটন, জনুৱারি ২০ঃ* নিউজিলেন্দগী অৱাং থংবা ইথৎ অমগী অরোইবা শরুক্তা থোকখিবা মেগ্নিচুদ ৬.২ রোম কনবা য়ুহার হাবা অমনা মরম ওইদুনা য়ুম কয়ামরুম নিকখ্রে। অদুগা মীওই লিশিং কয়াগী ইলেক্ট্রিক্ট ফংহনখিদ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

য়ুহার হাবদুনা মরম ওইদুনা 'দা হোবিক' হায়বা অদুগী সিন অমবু ওইথোকহনখিবা য়ান্দুনা থম্বা চাওরবা ইগল অমগী স্কল্পচর তৎতুনা লৈমায়দা তারকখ্রে হায়রি।

স্কল্পচর অদু লৈবাক অসিগী মরুওইবা এয়ারপোর্ট অমগী য়ুমথংক্তগী য়াম্থদুনা থম্বনি। য়ুহার হাবা অদুগী ময়োলদি লৈবাক অসিগী কোনুং ৱেল্লিংটনদগী অৱাং নোংপোক্তা কিলোমিটর ১১০ রোম চৎলগা লৈবা মফম অমদা ওইখি হায়না য়ু এস জিওলোজিকেল সর্ভেনা ফোঙদোকখ্রে।

অহানবদা মেগ্নিচুদ ৬.৩ ওইগনি হায়না হোৎলুবা য়ুহার হাবা অদুগী লৈনুংদা লৈখিবা ময়োলদি কিলোমিটর ২৮ রোম লুথরগা লৈখিবনি হায়নসু এজেন্সি অসিনা ফোঙদোকখি।

য়াম্না তোয়না য়ুহার হাগনবা লৈবাক অসিদা নুংথিলগী পুং ৪ তারমদাইমক্তুদা নিক্লকখিবনি। অদুগী মতুংদা অফটরসোক কয়ামরুম মথং-মথং থোকখিবনি। খুদক্কী ওইনদি য়ুহার হাবা অদুনা শোকপা-শিবগী চপ চাবা পাউ লৈত্রি হায়রি।

# বাংলাদেশ ফোর্সশিংগা কাপ্নবদা জমাত লিদর শিরে

*ধাকা, জনুৱারি ২০ঃ* জমাত ই ইস্লামিগী লোৎফমশিংগী মনুংদা অমদা বাংলাদেশকী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা রেইদ অমা চত্থরুবদা খুৎ থোক্লরকপদগী নোংমৈ কাপ্নবদা লুপ অসিগী মরুওইবা লোকেল লিদর অমা শিরে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

লুপ অসিগী মেহরপুর দিষ্ট্রিক্ট য়ুনিটকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি জেনরেল ওইবা টারিক মুহমদ সাইফুল ইস্লাম (৩৫) হায়বা লুচিংবা অসি পুলিসকী খুৎতগী নাম্থোক্লবা হোৎনরিঙৈদা নোংমৈনা কাপবদগী শিখিবনি।

পাউগী লিখুন অমগী মতুংইন্না পুলিসনা ইস্লামবু হৌখিবা নোংমাইজিংদা ফাখি। পুলিসতা এটেক তৌবা অমদি লৈবাক অসিদা জনুৱারী ৫ দা পাঙথোক্কনি হায়রিবা মীখল অসিগী মাঙওইননা ভাইওলেন্স চত্থবগী মরালা মহাকপু ফাখিবনি।

মহাক্লা হায়দোরকপা মতুংইন্না সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী খুঙ্গং অমদা রেইদ অদু চত্থখিবনি। মফম অদুদা মহাক্কী লোয়নবশিং মীটিং অমা পাঙথোক্কদৌরি হায়না মহাক্লা জবান পীখিবনি।

মফম অদু পুলিসনা হেক য়ৌরকপগা জমাদকী থৌমীশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। অদুনা মরম ওইদুনা খুৎ থোক্লবা হৌরকখি।

তাল্লক অদুদা চরাংনবগী খুদোংচাবা লৌরগা ইস্লামনা নাম্থোক্লুবা হোৎনখি। পুলিসকী মীওইশিংদা জমাদকী থৌমীশিংনা এটেক চত্থরকপদগী নোংমৈ কাপ্নরকপদা নোংমৈ মরু মরক্তা চেননবা হোৎনবদগী মঙোন্দসু পানখিবনি হায়না মেহবুব পুলিসকী চিফ এ কে এম নাহিদুল ইস্লামনা ফোঙদোকখি।

জমাদকী রিজনেল লিদর অসি শিবগী থৌদোক অসিগী নুমিৎ নিনিগী মমাংদা পার্টি অসিগী অতোপ্পা থৌমী অমসু বি জি পি অমদি পুলিসকী অপুনবা ফোর্সশিংগা কাপ্নবদা অৱাং নোংচুপ থংবা নিলফামারিদা শিখিবনি। বাংলাদেশ নেস্নেলিষ্ট পার্টিগী মপাং অমা ওইরিবা লুপ অসি মমাং চহিদগী মীখলদা শরুক য়াবা থিংখ্রবনি।

# মঙ্গ্রানা হকচাংদা মরম অহুমদা কান্নবা পী



*মঙ্গ্রা হায়বা পোৎশক অসি চাবদা হাওবদা নত্তবা হকচাংদসু কান্নবা পী। অশেংবমক্তি মীপুম খুদিংমক্না নোংমগী চারাদা অমদি মশানা পামজবা চিঞ্জাক্তা পোৎলম অসি নুংতিগী চানবা হোৎনবা চুম্মী।*

*মঙ্গ্রা হায়বসি ঐখোয়না শোইদনা চাবা তাবগী মরুওইবা মরম অহুম লৈ। মরমশিং অদুদি মঙ্গ্রাদা এন্টি ওক্সাইদেন্টশিং য়াওই। এন্টি ওক্সাইদেন্টশিংনা মীওইবগী সেল শিখিববু থিংই, নত্রগা তপথহল্লি। অদুগা হকচাংনা ইনফেক্সন ঙাকথোকচবগী শক্তি মসিনা কনখৎহনবা ঙম্মী। মঙ্গ্রাদা এন্টি-ইনফ্লেমেটরি ওইবা মচাকশিং য়াওই। এন্টি-ইনফ্লেমেটরি ওইবা পোৎলম খুদিংমক্না হকচাংদা ইনফ্লেমেসন থোকপা থিংই নত্রগা হন্থহল্লি।*

*অরিবা ইনফ্লেমেসন নত্রগা ফহনবা ৱারবা ইনফ্লেমেসননা মীওইবগী হকশেল শোকচিলহল্লকপনি। অরথ্রাইটিস নাবা মীওইশিং অদুগা ওটো ইম্মুন দিজিজ নাবা মীওইশিংনা মঙ্গ্রাদা য়াওবা এন্টি-ইনফ্লেমেটরি ওইবা মচাকশিংদগী কান্নবা য়াম্না ফংনিঙাই লৈ।*

*মঙ্গ্রাদা ঈ দা য়াওবা চীনিগী চাং কায়দনা থম্নবা মচি ওইবা পোৎলমশিংসু য়াওই। মী খরগী বোদি সাইকল অসি ব্লদ সুগর লেভেল কা হেন্না ৱাংবা নত্রগা কা হেন্না নেম্বা অনিগী মরক্তা উংদুনা লৈ। অসিগুম্বা লৈতাদবা ফিভম অসিনা হকচাংদা খুদোংচাদবা য়াম্না থোকহল্লি।*

*মঙ্গ্রা চাবা মতমদা তোঙান-তোঙানবা মওং খরদা চাবা য়াই। ইচম চম্না ফুৎপা নত্রগা লৌরগা চাবা য়াই। চাবা মতমদা ফজনা মুন্না লৌরবা মঙ্গ্রাদা মাখন খরা তৈরগা চাবা অদুদগী হেন্না হাওবা পংলৈ লৈতে।*

*মীওই অয়াম্বনা খ্বাইদগী হাওবা ফ্রেন্স ফ্রাই শেম্বদা মঙ্গ্রাবু মচল অমা ওইনা হাপ্পী। মসি শেম্নবগীদমক মওং তাবা মঙ্গ্রা অমবু ফজনা কল্লগা থাওদা ফজনা তাওথোকই। মসিদগীসু হেন্না হকশেলদা কান্ননবা শেম শাগে হায়রবদি মচেৎ-মচেৎ কল্লবা মঙ্গ্রাগী শরুকশিং অদু কুকিং স্প্রে কাপশিল্লগা নত্রগা তাউ তৈরগা লৈরংদা ফজনা য়াইথোকপা অদুগা চাবসু য়াই।*

*মঙ্গ্রাগী কেসরোল অসিসু মীওই অয়াম্বগী টেবলদা অহাওবা মথেল অমা ওইনরিবনি। মঙ্গ্রাগী অথুম্বা অমদি মহাও অসিনা মী অয়াম্বগী পিক্লিক্কী মথেল ওইনৈ।*

*ইচম চম্না মৈদা য়াইবা নত্রগা ফুৎলবা মতুংদা মঙ্গ্রাবু তোয়না নোইথোক্লো। অদুগী মতুংদা মাখনগা লোয়ননা ব্রাউন সুগর অমদি দালচিনি খরা হাপ্লো। মদুবু অপাকপা খাং অমদা শেম্বা গ্রীজ কেসরোলদা য়ানশিল্লো। অদুগা মদুদা মার্সমেল্লো খরা হাপ্লগা ব্রোইল্লর অমগী মখাদা মার্সমেল্লো অদুনা মচু ওল্লক্ত্রিবা ফাওবা থম্লগা অসুক্কী মতিক হাওরবা মথেল অমা ওইরগনি।*






অইবা অমসুং অয়েকপা নোং লান

## SANALEIBAK SUDOKU

SANALEIBAK SUDOKU-130

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 5 | | | | | | 9 | |
| | 7 | 2 | | | 8 | | 3 | 5 |
| | 8 | | | | 3 | 7 | | |
| | | | 4 | | | | | |
| | 1 | | | | 6 | | | 2 |
| 9 | | 5 | 3 | | | | | |
| | | | | | | | 7 | 9 |
| 3 | | | | 6 | | | | |
| | | | | 5 | 1 | | 8 | |

*Prepared by :* ROGER -A

**YESTERDAY SOLUTION**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 9 | 1 | 2 | 6 | 5 | 3 | 8 | 4 |
| 2 | 5 | 8 | 3 | 9 | 4 | 6 | 1 | 7 |
| 6 | 3 | 4 | 1 | 8 | 7 | 5 | 9 | 2 |
| 1 | 7 | 2 | 8 | 5 | 3 | 9 | 4 | 6 |
| 9 | 4 | 3 | 6 | 7 | 2 | 8 | 5 | 1 |
| 5 | 8 | 6 | 9 | 4 | 1 | 2 | 7 | 3 |
| 3 | 1 | 5 | 7 | 2 | 9 | 4 | 6 | 8 |
| 4 | 6 | 7 | 5 | 3 | 8 | 1 | 2 | 9 |
| 8 | 2 | 9 | 4 | 1 | 6 | 7 | 3 | 5 |

**FILL THIS BLANK:**

*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*